ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
Refreshingly Reliable
HUEIYEN LANPAO
# হুইয়েন লানপাউ
The messenger of the masses

সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী ৭২শুবা ফাউন্দেসন দেগী থৌরম পার্টি অসিগী থৌবাল লোকল কাউন্সিলনা শীন্দুনা ক্ষেত্রি শঙলেন থৌবালদা কমরেদ হিজম ইরাবতকী ফোটোদা লৈ কৎতুনা পাঙথোকখিবগী শক্তম


লামায় ৩

ব্রাইট রে ক্লব ক্বাকৈথেল লমদোং লৈকায়না সঙাইপ্রৌ মমাঙ লৈকায়গা খুৎশম্নদুনা কোভিদ-১৯গী টেষ্টিং সেন্টর ওইরিবা ইম্ফাল কোলেজগী অকোয়বা মফমশিংদা সেনিটাইজেসন প্রোগ্রাম পাঙথোকখিবা


লামায় ৩

ককচীং খুনৌ ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চেয়রপর্সন কে ঐচ লৈমনা কাউন্সিল অসিগী ৱার্দ নম্বর ৫গী মনুং চন্না লৈবা য়ুমথোঙ খুদিং চঙদুনা মীওই খুদিংমক থর্মেল স্কেনিং তৌহনখিবগী শক্তম


লামায় ৩

কৈরাও মাক্তিং গ্রাম পঞ্চায়টকী ৱার্দ নম্বর ৯ উরুপকী জোব কার্দ হোল্দরশিংদা খুৎশুমল পীথোক্তবগী মতাংদা অথুবা মতমদা খুৎশুমল পীথোকপীয়ু হায়না মরী লৈনবশিংগী মায়োক্তা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখিবগী শক্তম


লামায় ৩

Vol. 44, Issue No.150 | নিংথৌকাবা, লাংবনগী ৬নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ৮ | HUEIYEN LANPAO, | Monday, August 24, 2020, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

## ওগষ্ট ২৫দা পাউচে পুথোকচরোই

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচএনএস) : মণিপুর হোকরস এসোসিএসনগী ফাউন্দেসন দে ওগষ্ট ২৫দা ওইবা মরম্না পাউচেশিং ফোঙবীদনবা এসোসিএসন অসিনা হায়রকপগী মতুংইন্না নুমিৎ অসিদা পাউচে পুথোকচরোই।

এসোসিএসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি লাইখুরাম সুরজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফমশিং অদুদি 'ষ্টেট অসিদা নুংতিগী অয়ুক্তা পাউচে পুথোকপীরিবা প্রেস হাওসশিংগী পব্লিশরশিংগী মফমদা মণিপুর হোকরস এসোসিএসনগী মায়কৈদগী করিগুম্বা খরদং থমজরি মদুদি লাক্লিবা ওগষ্ট ২৫, ২০২০, লৈবাকপোকপা নুমিৎ অসি মণিপুর হোকরস এসোসিএসনগী ফাউন্দেসন দে থোক্লে, নুমিৎ অসিদা এসোসিএসন অসিগী মেম্বরশিংনা লৈখিদ্রবা হোকরশিংবু ইকায়খুম্নবা উৎচবগী থৌরম (হোকরস দে) অমা গভর্ণমেন্টকী এস ও পি ঙাক্লা ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং থম্লগা অয়ুক পুং ৯দগী পাঙথোকচগনি। নুমিৎ অসিদা হোকরস এসোসিএসনগী মেম্বরশিংনা মহৌশাগুম্না শিন্থা লেপচগনি, মসিনা মরম ওইরগা প্রেস হাওসশিংনা লাক্লিবা ওগষ্ট ২৫, ২০২০ লৈবাকপোকপা নুমিৎ অসিগী এদিসন পুথোকপীদনবা এসোসিএসনগী মায়কৈদগী নীংশিংজরি। লোয়নন্না প্রেস হাওস খুদিংমক্তা এসোসিএসন অসিনা শিঞ্জরিবা থৌরম অসিবু মপূং ফাহনবীনবা অমদি কভরেজ তৌবীনবা এসোসিএসনগী মায়কৈদগী নীংশিংজরি' হায়বসিনি।

## ইরাক্লদুনা ১ শিরক্লে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচ এন এস): ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৩০ রোম তাবদা খোংজেম পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা তেন্থা খুনৌদা লৈবা ঙাগী ফার্মদা নুপা অমা ইরাক্লদুনা শিরক্লে। লৈখিদ্রবা নুপা অদুগী মমিংনা খাঙেম্বম গোজেন্দ্রো (৬০) অপোকপা কে ঐচ গোপাল কৌই। মহাক কৈশামথোং এলাংবম লৈকাইদগীনি। পুলিসকী পাউনা হায়, মহাক্লা ইরাক্লরিবা ঙাগী ফার্ম অদুগী মপুনা নাওরেম বোবিন্দ্রো (৪৮) অপোকপা এন তোম্বা কৌই, তেন্থা খুনৌদনি হায়রি।

### HL Poll

Q: State amadagi atoppa state amada chatthok-chatsin touhangadabani haibasi achumba khongthangni haina khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ___ No ___

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: NEET amasung JEE yaona Examination kaya pangthoklabadi Covid-19gi laichat phibam lusillakkani haina khanbra?

Yes 54% No 46%

### অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৭.১৪ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৮.৫৮ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ২.৭৬ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৫২
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৪২

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

### অস! লোইরেহে!

- ওইদবা ঙাঙবী চাংদম্নবদা ঐখোয় সার এন বলিহারিনা ফষ্ট প্রাইজ লৌরে।



- ঐসু ফনয়াম্না ওইদবদি ঙাঙবনি.. অদুবু.. য়াদেহে!

# কোংগ্রেস অমসুং পার্টি ১৬না দিলিমিটেসনগী মায়োক্তা ফাইল তৌরকপা পি আই এল সেপ্টেম্বর ৩দা খন্নরগনি

### অটসুম য়াওনা পার্টি ২না রেসপোন্দেন্ট ওইনা য়াওজগে হায়রক্লে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচএনএস) : গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ লো এন্দ জষ্টিস (লেজিসলেটিভ দিপার্টমেন্ট) না য়ুনিয়ন টেরিটরি জম্মু এন্দ কাশ্মীর য়াওনা অসাম, অরুনাচল প্রদেশ, নাগালেন্দ অমসুং মণিপুরগী এসেমব্লি অমসুং পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিশিংগী দিলিমিটেসন পাঙথোক্নবগীদমক দিলিমিটেসন কম্মিসন কন্সটিট্যুট তৌখিবগী মায়োক্তা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সী সী) য়াওনা পোলিটিকেল পার্টি ১৬না ফাইল তৌরকপা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) অমা হায়কোর্ট ওফ মণিপুরনা মথং থাগী ৩দা খন্ননবা লেপখ্রে।



পি আই এল অসিগী নম্বর ২৫ ওফ ২০২০নি। অদুগা মসিগী পিটিস্নরশিংনা এম পি সী সীগী জেনরেল সেক্রেটরি (এদমিনিষ্ট্রেসন) খুমুজম রতন (৫৭), নেসনল পীপলস পার্টি (এন পি পি) গী ভাইস প্রসিদেন্ট ডা. পি ঐচ জিলাসনা (৬৭), কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সী পি আই), মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী সেক্রেটরি এল সোটিন কুমার (৬৪), কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (মার্ক্সিষ্ট), সী পি আই এম মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিগী সেক্রেটরি ক্ষেত্রিময়ূম শান্ত (৬১), মণিপুর পীপলস পার্টি (এম পি পি) গী জেনরেল সেক্রেটরি (এদমিনষ্ট্রেসন) হাওবিজম গিতাজেন মৈতৈ (৪১), লোক জন শক্তি পার্টি (এল জে পি) গী জেনরেল সেক্রেটরি নিঙোম্বম ইবোহল মৈতৈ (৬১), মণিপুর নেসনল দেম্মক্রেটিক ফ্রন্ট (এম এন দি এফ) কী ভাইস প্রসিদেন্ট কাংজম খোগেন্দ্র (৬১), রিপব্লিকান পার্টি ওফ ইন্দিয়া (এ), মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট সাপম শামুঙৌ (৫৬), ওল ইন্দিয়া তৃণমুল কোংগ্রেস (এ আই টি সী) গী ষ্টেট কনভেনর ডা. থোকচোম ইনাওচা (৫৬), জনতা দল (য়ুনাইটেদ), মণিপুরগী চীফ জেনরেল সেক্রেটরি মাইস্নাম দোরেন্দ্রো (৫১), ওল ইন্দিয়া ফোৱার্দ ব্লোক (এ আই এফ বি) গী ষ্টেট সেক্রেটরি খোমদ্রাম গ্যানেশ্বর (৫৫), রিভোল্যুস্নরি সোসিএলিষ্ট পার্টি (আর এস পি) গী ষ্টেট মেম্বর কে মনোরঞ্জন (৫৬), রাষ্ট্রিয় জনতা দল (আর জে দি) গী প্রসিদেন্ট কোঞ্জেংবম কুমারজিৎ (৬০), নেসনেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টি (এন সী পি) গী প্রসিদেন্ট এস ইবোয়াইমা (৬০), সিব সেনা মণিপুর য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট এম তোম্বী (৬৪) অমসুং নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া দিভলপমেন্ট পার্টি (এন ঈ আই দি পি) গী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনাম মালেস (৫০) নি।

পোলিটিকেল পার্টি ১৬কী পি আই এল অসি য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রস (এম ঐচ এ) গী সেক্রেটরি, মিনিষ্ট্রি অসিগী রেজিষ্ট্রার জেনরেল অমসুং সেনসস কম্মিস্নর, দিরেক্টর ওফ সেন্সস ওপরেসন্স অমসুং চীফ প্রিন্সিপাল সেন্সস ওফিসর, মণিপুর, দিলিমিটেসন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী সেক্রেটরি অমসুং মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ সেক্রেটরিবু রেসপোন্দেন্টশিং ওইনা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# সোনিয়া গান্ধীনা কোংগ্রেস পার্টিগী ইন্টরিম প্রসিদেন্ট ওইবা তোক্লবা য়ানা লৈরে



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সী) : কোংগ্রেস ৱর্কিং কম্মিটি (সী দব্লিয়ু সী) গী মীফম অমা হয়েং পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরিঙৈগী চৈরক্তা সোনিয়া গান্ধীনা পার্টি অসিগী ইন্টরিম প্রসিদেন্ট ওইবা তোক্লবা য়ানা লৈরে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি।

সোর্স অমা পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, সী দব্লিয়ু সীগী মীফমদা সোনিয়ানা পার্টি প্রসিদেন্টকী ফম থাদোকপগী ৱাফম লাউথোক্লবা য়াই। লোক সভাগী মীখলদা কোংগ্রেসনা নীংবা কায়নীংঙাই ওইবা মওংদা মায়থীবা ফংখ্রবা মতুংদা রাহুল গান্ধীনা মমাঙ চহীগী ওগষ্ট থাদা পার্টি প্রসিদেন্টকী ফম থাদোকখিবনি। মতমদুদা সোনিয়াবু ইন্টরিম প্রসিদেন্ট ওইনা খনখি।

পার্টি মনুংদা রাহুল গান্ধীবু অনৌবা প্রসিদেন্ট ওইহন্নীংবা মীওই কয়া য়াওরকপা মরম্না হন্দক্কী মতাং অসিদা সী দব্লিয়ু সীগী মীফম পাঙথোক্তুনা কোংগ্রেসকী অনৌবা প্রসিদেন্ট অমা শিন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপা য়াই হায়রি।

নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা প্রিয়াঙ্কা গান্ধীনা হায়খি মদুদি পার্টিগী অনৌবা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# এ আর পর্সনেলশিংনা মীচম মীয়ামদা কোভিদ-১৯ শন্দোক্লে হায়না মরাল শীরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচএনএস) : অসাম রাইফলসকী পর্সনেলশিংনা থিবা-হুম্বা চথবগী মীংদা মীওই কয়াগী ইমুংদা চঙদুনা মীচম মীয়ামদা কোভিদ-১৯ শন্দোক্লে হায়না গভর্ণমেন্ট ওফ দ পিপলস রিপব্লিক ওফ নাগালিম (জি পি আর এন) না মরাল শীরক্লি।

জি পি আর এনগী মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, নাগালেন্দ য়াওনা অৱাং নোংপোক্কী অতৈ ষ্টেটশিংদা ইনি দয়ন আর্মদ ফোর্সেস, মরু ওইনা অসাম রাইফলসকী পর্সনেল কয়া কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়বা পূন্নমক্লা খঙনরবা ৱাফমনি। অসাম রাইফলসকী পর্সনেলশিংনা এন এস সী এনগী মেম্বর কয়াগী ময়ূমদা থিবা-হুম্বগী থবক চথরক্লিবা থৌওং অসি নুংনাংবা পোক্লিংঙাইনি। থৌওং অসিনা খুদোংথিনীংঙাই ওইরবা লায়না লাইচৎ অসি মীয়ামদা শন্দোরক্নবগী মরম ওইহল্লে হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, ওগষ্ট ২২গী নোংয়াই মতুং পুং ২ তাবদা ৫শুবা অসাম রাইফলসকী মেজর অমনা লুচিংবা টিমনা দিমাপুরগী দিফুপারদা লৈবা নাগা আর্মিগী মেজর অমগী ময়ূমদা থিবা-হুম্বগী থবক চথখি। ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা অথিংবা পীরবসু এ আরগী পর্সনেলশিংনা নমদুনা ইমুংদা চঙশিল্লগা থিবা-হুম্বগী থবক চথখি। আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পৱার্স এক্ট (অফস্পা) না অহেনবা মতিক-ময়াই পীরবা অসাম রাইফলসকী পর্সনেলশিংনা ইমুংদা চঙদুনা থিবা-হুম্বগী থবক চথরবসু করিগুম্বা মখলগী পোৎলম অমত্তা ফংবা ঙমখিদে। মতৌ অসুম্না কনাগুম্বা অমগী ইমুংদা এ আরগী পর্সনেলশিং চঙবগী থৌওং অসিনা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ শন্দোকহনবা য়াই হায়নসু চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

মফম কয়াদা এ আরনা থিবা-হুম্বগী থবক চথরক্লিবসি থাজবা মাঙহনবগী ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

# এম এল এদগী রিজাইন তৌখ্রবশিং অমসুং সী এম ঙসি থোরক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচএনএস) : য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ হোস্পিটালদগী দিসচার্জ তৌরক্তবনা উনবা ফংদবদগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন অমদি রিজাইন তৌখ্রবা এম এল এ তরুক হয়েং দিল্লিদগী ইম্ফাল থোরক্লগনি। বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট প্রোফেসর টিকেন্দ্রদি লৈহৌখিদৌরি।

দিল্লিদা চয়োল অমরোম লৈদুনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ উননবা শেম শাখিবা সী এম নোংথোম্বম বিরেন অমদি এম এল এদগী রিজাইন তৌখ্রবা ৱাংখৈ এ সীগী ও হেনরি, ৱাংজিং তেন্থা এ সীদগী পাওনম ব্রোজেন, ৱাঙ্গৈাই এ সীগী ও লুখোই, সিংহাট এ সীগী গিন্সুৱানহাও, সাইটু এ সীগী ঙমথং হাওকিপ অমদি লিলোং এ সীদগী অব্দুল নসির হয়েং ইম্ফালদা থোরক্লবা শেম শাখ্রে। সী এমনা লুচিংবা টিম অসিনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ উনদুনা মিনিষ্টর রিসফল অমদি বাই ইলেক্সনগী মতাংদা ৱারী শাননবা থৌরাং তৌবনি। অমিট শাহ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরুরবা তুংদা হৌজিক নেগেটিভ ওইরক্লবসু হকচাং নুংঙাইতবনা দিল্লিগী ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সতা লায়েংদুনা লাকখিবনি। নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা হোস্পিটাল অসিদগী দিসচার্জ তৌরগনি হায়না থৌরাং তৌরুরবা মতুং তঙাইফদনা নুমিৎ খরনি হোস্পিটালদা লায়েং চথবগী ফীভম লাকখি। হোস্পিটালদগী দিসচার্জ তৌরক্তবনা মরম ওইরগা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা লুচিংবা টিম হয়েং ইম্ফালদা হল্লক্লগনি।

য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা হোস্পিটালদগী দিসচার্জ তৌরবা মতুংদা ইম্ফালদগী এপোইন্টমেন্ট লৌরগা চীফ মিনিষ্টর অমুক হন্না দিল্লিদা চৎকদৌরি। ষ্টেটসিগী লৈঙাক মনুংগী ওইবা ফীভম অসিদা তঙাইফদবা থৌরাং খরা লৌখৎনবা হোৎনবদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর উনবগী তঙাইফদবা লৈবনা সী এমনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর উননবা হোৎনদুনা লাকখিবনি।

চীফ মিনিষ্টরনা দিল্লিদা লৈরিঙৈ মতমদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর কয়া অমদি বি জে পিগী নেসনল লিদর কয়া উনদুনা ৱারী শানখ্রে। চীফ মিনিষ্টরনা লুচিংবা টিম হয়েং ইম্ফালদা হল্লক্লবসু বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট প্রোফেসর টিকেন্দ্রদি নুমিৎ খরনি দিল্লিদা লৈহৌখিগদৌরি। বি জে পি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট টিকেন্দ্রনা পার্টি অসিগী নেসনল প্রসিদেন্ট জে পি নাদা উনদুনা ৱারী শাগদৌরি। প্রোফেসর টিকেন্দ্রনা বি জে পি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ওইরবা মতুংদা দিল্লি চৎপা অহানবা খোঙচৎ ওইরি। খোঙচৎ অসিগী মনুংদা নেসনল লিদরশিং উনদুনা বি জে পি মণিপুরগী ওর্গনাইজেসন কনখৎহন্নবা অমদি বাই ইলেক্সনগী মাঙওইননা পায়খৎকদবা থবক থৌরাং কয়া লেপথোক্লগদৌরি।

মরকসিদা, এম পি রাজু বিষ্টনা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেনদা মণিপুরদা গুর্খাগী এ দি সী লৈহন্নবা তকশিল্লকখ্রে হায়রি।

# ইরং থোং লানবা য়াদবদগী গাড়ী কয়ামরুম লমখাংদা পন্দুনা লৈরে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচএনএস) : মণিপুরগী মরু ওইবা লম্বী অমা ওইরিবা নেসনল হায়ৱে নম্বর ৩৭ ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীদা লৈবা ইরং থোংগী য়োৎ তৎপা য়াওরকপদগী পোৎ চৈ পুবা ত্রক ময়াম লানবা য়াদদুনা লমখাংদা পন্দুনা লৈরকপা নুমিৎ নীনি শুরে হায়রি।


অদু শেমজিন্নবা নেসনল হায়ৱে এন্দ ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিটেদ (এন ঐচ আই দি সী এল) না য়োৎ শৌনবা মেছিন ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

প্রেসনা ফংবা পাউ মতুংইন্না নেসনল হায়ৱে নম্বর ৩৭ ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীগী ইরং থোং হৌখিবা ইরাই নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদগী পোৎ অরূম্বা পুবা ত্রকশিং লানবা য়াদদুনা লৈরকখিবনি। থোংগী য়োৎ খরা তৎখিবদগী হৌজিক গাড়ী ১৫০ রোম লানবা য়াদবদগী পন্দুনা লৈরি।

ইরং থোংগী য়োৎ তৎপা

# মীফম পাঙথোক্তুনা অনৌবা প্রসিদেন্ট অমসুং ওফিস বিয়ররশিং খল্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচএনএস) : মণিপুর পীপলস পার্টি (এম পি পি) দা লৈরিবা চরাংনবা অসি অথুবা মতমদা ৱারী শানরগা লোইশিন্নবা হোৎনবগা লোয়নন্না পার্টিগী চৎনকাঙলোনগী আর্টিকল নম্বর ২১ অমসুং ২৪গী মতুংইন্না লাক্লিবা ফেব্রুৱারী ৩, ২০২১গী মমাঙদা পার্টিগী জেনরেল কনফরেন্স পাঙথোক্তুনা অনৌবা প্রসিদেন্ট অমসুং ওফিস বিয়ররশিং খনবগী থবক থৌরমশিং অথুবা মতমদা লোইশিন্নবা হোৎনরগনি হায়রি।

ৱাফমশিং অসি এম পি পিগী জেনরেল সেক্রেটরি (মীদিয়া, ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স) নি হায়বা ডা. টি ঐচ দিলিপকুমারনা খূৎয়েক পীদুনা থোরকপা চেরোল অমনা হায়বনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়বদা, ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াদগী হাওবিজম গিতাজেন মৈতৈদা থারকপা ফাইল নম্বর ৫৬/২৬/২০২০/পি পি ৩/৭১১১ (তাং ৬/৭/২০২০) দা এম পি পিগী ওথোরাইজ ওফিস বিয়ররশিং লৈতে হায়রিবসি অন্দর সেক্রেটরি অভিশেক টিৱারিনা ঈ সী আইগী হান্নগী অন্দর সেক্রেটরি কপতান চান্দনা মার্চ ২৪, ২০১৯দা এম পি পিনা ঈ সী আইদা দরখাষ্ট থাখিবা অদুদা য়ূম্ফম ওইরগা মার্চ ২৬, ২০১৯দা মণিপুরগী চীফ ইলেক্সন ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

# ফগৎলকপগী চাং চাদাং ৬৮.৯২ ওইরে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচএনএস) : মণিপুরদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মীওইশিং ফগৎলকপগী চাং চাদা ৬৮.৯২ ওইরে হায়না কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমগী স্পোক্সপর্সনসু ওইরিবা হেল্থ দিপার্টমেন্টকী এদিসনেল দিরেক্টর ডো. খোইরোম সশীকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবগী ওইনা থাদোরক্লিবা চেরোল অসিনা হায়, হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ৬৭ অমসুং সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্স (সী এ পি এফ) কী পর্সনেল ৪৭ পূন্না মীওই ১১৪ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে। নৌনা পোজিটিভ ওইরবশিংগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী নুপা ৫৩ অমসুং নুপী ১৪ য়াওরি।

রিমসকী ভি আর দি এলদা কেস ৮, জেনিমসকী ভি আর দি এলদা ৩৫, রাজ মেদিসিটিদা ৫, ববিনা দাইগ্নোষ্টিক্সতা ১৮, ইম্ফাল ৱেষ্ট আর এ টিদা ৩০, বিষ্ণুপুর আর এ টিদা ৪, ইম্ফাল ইষ্ট আর এ টিদা ৪, উখ্রুলদা ৮ অমসুং থৌবালদা কেস ২ থেংনখিবনি। মীওইশিং অদুগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ততগী ৩৫, বিষ্ণুপুরদগী ৫, ইম্ফাল ইষ্টতগী ১৭, চান্দেলদগী ১, থৌবালদগী ৬, ককচীংদগী ১, নোনেদগী ১ অমসুং উখ্রুলদগী ১ য়াওরি।

ইম্ফাল ইষ্টতগী মীওই ৪, ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ২ অমসুং চান্দেল দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ১ য়াওনা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ৭ অতোপ্পা ষ্টেটশিংদগী হল্লকখিবা ঙাক্তনি। অতৈ মীওই ৬০ অদুদি অতোপ্পা ষ্টেটতা চৎলুবগী ত্রাভেল হিষ্ট্রি লৈতবা মীওই ঙাক্তনি হায়রি। পোজিটিভ ওইরবা মীওই পূন্নমক তোঙান-তোঙানবা কোভিদ ক্যের ফেসিলিটিশিংদা থমদুনা লায়েংবা হৌখিবগা লোয়নন্না মীওইশিং অদুগা নক্নরুবা অতৈ মীওই পূন্নমক্কী খোঙ্গুল লীবা হোৎনরি হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা মীওই ১৬১ নাবা ফগৎলকপদগী দিসচার্জ তৌখি হায়না পল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, দিসচার্জ তৌখ্রবশিংগী মনুংদা সী এ পি এফকী ৮৮, রিমসতগী ৪, কোভিদ ক্যের সেন্টর লম্বোই খোংনাংখোংদগী ৩২, য়ুনাক্কোদগী ২, থৌবালদগী ১৮, ফুংয়ারদগী ১, সেনাপতিদগী ১, জেনিমসতগী ৬ অমসুং আর দি ৱিংদগী ৯ য়াওরি। আর টি পি সী আর টেষ্ট তৌবদা নেগেটিভ ওইবদগী মীওইশিং অদু দিসচার্জ তৌখিবনি।

ষ্টেট অসিদা হৌজিক কোভিদ-১৯গী অপূনবা কেস মশীং ৫,২৪৬ য়ৌরে। মসিগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ৩,৮৬৫ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ১৩৮১ য়াওরি। জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ৩০১১ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ৬০৫ য়াওনা মীওই ৩,৬১৬ নাবা ফগৎলকপদগী দিসচার্জ তৌখি। অপূনবা এক্টিভ কেস ১৬০৮ লৈবগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ৮৩৩ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ৭৭৫ য়াওরি। হৌজিক ফাওবদা ফগৎলকপগী চাং ৬৮.৯২ ওইরে হায়রি।

# মীরোনবীশিং অঙাং উন্নবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা মায়োক্লরে

ডা. খাইদেম অথৌবা

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচ এন এস) : লৈবাক মীয়াম্না কোভিদ-১৯গী অচৌবা চৈথেং ফংলিঙৈগী চৈরাক অসিদা অনৌবা চৈথেং অমগা অমুক লমদম অসিগী মীরোনবী নুপীশিং অমদি ইমুং-মনুংশিংনা ফংলে। হৌজিক-হৌজিক্কী ওইনা মীরোনবী নুপীশিংনা অঙাং উনদ্রিঙৈ মমাংদা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌগদবনি হায়বসি অফবা খোঙথাং অমনি। অদুবু থৌওং অসিদা অহেনবা শেনফম কয়া চঙলকপনা লৈতলায়রবা ইমুংশিংদদি অচৌবা পোৎলুম অমা থাঙ্গৎপীবগা পাঙ্খক ওইরে হায়না মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্লরক্লি।



ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চনবদা লৈবা মীরোনবী নুপী অমগী মপুরোইবনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকখিবদা অঙাং উনবা হায়বসিমক্তংবু তঙাইফদনা শেল কয়া চঙই। চঙলিবা শেনফম অসিগী মথক্তা তোঙান্না অঙাং উনদ্রিঙৈ মাংওইননা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবা মথৌ তারকপনা থবক শুফম নোমফম লৈত্রবা মতম অসিদদি টেষ্ট তৌবদা চঙলিবা লুপা ২৮০০ পুথোক্লবা হোৎনবদা অৱাবা অমা ওই। ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনসু মীরোনবী নুপীগী মনাক্তা মীওই অমা-অনী লৈহন্নিংবনা মখোয়গী অমুক তোঙান্না টেষ্ট তৌনবা হোৎনবদা অচৌবা শেনফম অমা চঙলে। মরম অদুনা অঙাং উননবা হোৎনবদা য়াম্লবা শেনফম চঙলকপনা লৈত-লায়রবা ইমুংশিংদদি অৱাবা পোৎলুম অমা পীবা হায়বদু থোক্লে। মরম অদুনা লৈঙাক্লা অমদি মরী লৈনবশিংনা মীরোনবী নুপীশিংগীদমক অহোঙবা মমলদা নৎত্রগা লেম্না কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌনবা অথুবা মতমদা শীলহন্নিংই হায়না ফোঙদোরকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, অঙাং উনগদৌরিবা দোক্টরশিংনা পূন্নমক্কী ফনবনি হায়না য়াম্না লায়না কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌথোক্লগা লাকউ হায়রকপা তশেংনমক অফবা খোঙথাং অমনি। ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনসু টেষ্ট ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

RAJ MEDICITY
HUMANITARIAN SERVICE WITH DEDICATION
Regd. No. MNHCR/NO/060/NH/2004
An ISO 9001:2015 Certified Multi-speciality Hospital
RM/H-17-Adv/2020/06
POST VACANCY
Date: 23rd August, 2020

| Sl. | Name of the Post | Qualification | Experience | Vacancy | Pay Band |
|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Resident Medical Officer (Male) | MBBS | Min. 6 M | 6 | 55000/- |
| 2. | OT Technician (Male) | DOTT & above | Min. 6 M | 2 | 9500-1052-14760 |
| 3. | Customer Care Staff (Male) | Graduate | Fresher | 3 | 9500-1052-14760 |

Interested candidate can submit their resume and all relevant documents along with 2 recent passport size photographs to the "HR Department".
Last date of documents submission: 27th August, 2020 upto 4:00 p.m.
Date of Interview: 29th August, 2020
Website: www.rajmedicity.com
North A.O.C, Imphal West-795001, Manipur, India.
HL-P/7450/24